Wednesday, February 10, 2021, Imphal
HUEIYEN LANPAO

## জপানিজ সবমেরিন ১ কম্মর্সিএল ভেসেল অমগা থেঙ্গাইনখ্রে

টোকিয়ো, ফেব্রুৱারী ০৯ (এজেন্সী) : জপানগী নোংচুপ থংবা মপুং ওইবা সিকোকু ঈথৎকী মনাক নক্লা পেসিফিক ওসিনদা জপানিজ মরিটাইম সেল্ফ দিফেন্স ফোর্স (এস দি এফ) কী সবমেরিন অমগা কম্মর্সিএল ভেহিকল অমগা থেঙ্গাইনবদা সবমেরিন অদুগী ক্রু মেম্বর অহুম শোক্লে হায়না দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিৎকী থৌদোক অদুদা সোর্য় কৌবা মিটর ৮৪ শাংবা সবমেরিন অদুনা ঈশিংগী ঈমায়দা ফাওগৎলক্লবা হোৎনবদা কম্মর্সিএল জহাজ অদুগী মশাদা খেৎখি। গভর্ণমেন্ট স্পোক্সমেন কাটমুনোবু কাটোগী মতুং ইন্না, এক্সিদেন্ট অদু সিকোকু ঈথৎকী কোচি প্রিফেকচরদা লৈবা কেপ অসিজুরি মনাক্তা থোকখিবনি। জপানগী কোষ্ট গার্দনা কন্টেক্ট তৌবদা কম্মর্সিএল জহাজ অদুগী ক্রুনা মখোয়দা সবমেরিননা থেংলকই হায়বসি খঙদে অমসুং ভেসেল অদুদা অমাং অতা থোকপগী মওং উদে। কোষ্ট গার্দকী ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না জহাজ অদু হোং কোংদগীনি অমসুং মদুগী দিসপ্লেসমেন্টনা টন ৫০,০০০ নি। থৌদোক অদুদা সবমেরিন অদুগী এন্টিনা মাষ্ট অমসুং মথক থংবা শরুকশিং খরা শোকখি। ঈশিংদা থৌবদা অকায়বা অমত্তা থেংনখিদে। দিফেন্স মিনিষ্টর নোবুও কিসিনা ফোঙদোকখিবদা সবমেরিন অদুনা রুটিন ট্রেনিং পাঙথোক্লিঙৈদা পেরিস্কোপতা কম্মর্সিএল ভেসেল অদু উখি, তৌইগুম্বসুং থেংনদনবা মতম চানা থৈদোকপদি ঙমখিদে।

# য়ু এসকী কেরিয়র গ্রুপ অনীনা সাউথ চাইনা সিদা জোইন্ট এক্সরসাইজ পাঙথোকখ্রে



ৱাশিংটন, ফেব্রুৱারী ০৯ (এজেন্সী) : য়ু এসকী কেরিয়র গ্রুপ অনীনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সাউথ চাইনা সিদা অপূনবা এক্সরসাইজ পাঙথোকখ্রে। চাইনানা য়ু এসপু লমদম অদুগী মরা তপ্পা ফীভম অমদি তং তাবা ফীভমদা অকায়বা পী হায়দুনা লাক্লিঙৈদা য়েৎনরিবা সি অদুগী চাইনানা কন্ট্রোল তৌবা ঈথৎশিংগী মনাক্তা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা য়ু এসকী ৱার্সিপ অমা থৌজিনখ্রবা মতুংদা ইনৌ নৌনা খোঙথাং অসি লাকপনি।

য়ু এস নেভিনা ফোঙদোকখিবদা থিওদোর রুসবেল্ড কেরিয়র ষ্ট্রাইক গ্রুপ অমসুং নিমিটজ কেরিয়র ষ্ট্রাইক গ্রুপনা এসেটশিং ওপরেট তৌমিন্নবা অমদি কম্মান্দর অমসুং কন্ট্রোলগী থবক কনখৎহন্নবগী পান্দমদা নেভেল এক্সরসাইজ কয়া পাঙথোকখ্রে। মদু কুমজা ২০২০ গী জুলাইগী মতুংদা মরু ওইরবা ঈশিং লম্বী অদুদা অহানবা ওইনা পাঙথোকপা করিয়র অনীগী অপূনবা ওপরেসননি।

বৈজিংদা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন ৱাং ৱেনবিননা হায়, মতিক ময়াই উৎপগী মওংদা সাউথ চাইনা সিদা য়ু এসকী ৱারসিপশিং অমসুং এয়রক্রাফট তোয়না চঙশিনবা হায়বসি লমদম অদুগী মরা তপ্পা অমসুং তংদু লৈতাবগী ফীভমগা চানদে।

নেশ্নেল সোভরেন্টি অমসুং সিক্যুরিটি চেকশিন্না ঙাক্লবগীদমক্তা চাইনানা মখা তানা মথৌ তাবা থৌরাংশিং লৌখৎকনি অমসুং সাউথ চাইনা সিগী মরা তপ্পা ফীভম মরা তপ্পা অদু তং তাবা ফীভম ঙাক্লনবা লমদম অদুগী লৈবাকশিংগা খূৎশম্ন রগা পায়খৎফম থোকপা থবক পায়খৎমিন্নরগনি হায়না ৱেনবিননা ফোঙদোকখি।

এক্সরসাইজ অসি প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ওফিস পায়বা হৌখিবদগী য়ু এসনা পাঙথোকপা অহানবা মিসন ওইনা নীংতম্না নেভিগেসন তৌবগী ওপরেসননি হায়রদুনা য়ু এসনা চাইনানা কন্ট্রোল তৌবা পেরাসেল ঈথৎশিংগী মনাক্তা নেভিগী দিসত্রোয়র য়ু এস এস জোন এস মেককেন থৌজিনখিবদা বৈজিংনা থৌওং অদুবু কন্দেম তৌখ্রবা মতুংদা পাঙথোকপনি।

হৌখিবা থাদা য়ু এস মিলিটরিনা ফোঙদোকখিবা অমদা সাউথ চাইনা সিদা চাইনাগী মিলিটরি প্লেনশিং পাইশিনখিবগী মওং অদু লমদম অদুগী মরা তপ্পা ফীভমদা অকায়বা পীনিঙাই ওই হায়খিবনি। তৌইগুম্বসুং চাইনিজ প্লেনশিং অদুনা লমদম অদুদা লৈরিবা য়ু এস নেভিগী এয়রক্রাফট করিয়র ষ্ট্রাইক গ্রুপতদি কিহনবা তৌখিদে।

চাইনানা লমদম অদুগী মফম কয়া পাক শন্না ক্লেম তৌরক্লিবদু য়ু এসনা শীংনদুনা লাক্লিবনি। ৱাশিংটননা বৈজিংবু সাউথ চাইনা সিদা মিলিটরি ফোর্সশিং শেমগৎ শাগৎনবা হোৎনৈ অমসুং চাইনাগা মান্নবা রিসোর্ছ মরাং কায়রবা সি অদুগী মফম কয়া ফাংজিন্ননা ক্লেম তৌরিবা য়ুল্লোন্নরিবা লৈবাকশিং মালেসিয়া, ফিলিপিন্স অমসুং ভিয়েটনামদা অকিবা পোকহল্লি হায়না মরাল শিরি।

ঐখোয়গী পান্দমদি ইন্টরনেশ্নেল লোগী মখাদা লৈবাক খুদিংমকপু মরু ওইনা ঈশিং লম্বী অদু অয়েৎ অপন লৈহন্দনা শীজিন্নবা য়াহনবা অসিনি হায়না নিমিটস করিয়র ষ্ট্রাইক গ্রুপকী কম্মান্দর রিয়র এদমিরেন জিম কর্কনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি।

# মীদিয়া টাইকুন অমসুং বৈজিংগী ক্রিটিক জিম্মি লাইদা কোর্টনা বেল পীখিদ্রে



হোং কোং, ফেব্রুৱারী ০৯ (এজেন্সী) : হোং কোংদা চৎনরিবা নেশ্নেল সিক্যুরিটি লোগী মখাদা চার্জ তৌবা খ্বাইদগী মশক নাইবা মীশক ওইরিবা মীদিয়া টাইকুন অমসুং বৈজিংগী ক্রিটিক জিম্মি লাইদা বেল পীবগী ৱাফম লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সিটি অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা থাক্কী কোর্টনা য়াখিদ্রে।

মীদিয়া টাইকুন লাই হৌখিবা চহীগী অথেংবা শরুক্তা চয়োল অমরোমখক বেলদা থাদোকখিবা নত্তনা দিসেম্বর ৩ দগী ফাজিন্দুনা থল্লকপনি। দিসেম্বর ২৩ দা মহাকপু লৱার কোর্ট অমনা ঐচ কে দোল্লর মিল্লিয়ন ১০ (য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ১.৩) গী বেল পীখি। তৌইগুম্বসুং গভর্ণমেন্টনা আপীল তৌবদগী কোর্ট ওফ ফাইনেল আপীল (সী এফ এ) না মহাকপু দিসেম্বর ৩১ দা অমুক হন্না কষ্টদিদা থমখি।

মহাকপু অমুক হন্না ফাহল্লিবদু সিক্যুরিটি লো অদুগী আর্টিকল ৪২ গা মরী লৈনৈ। আর্টিকল অদুনা হায়রি মদুদি করিগুম্বা জজনা ক্রিমিনেল সস্পেক্ট নত্রগা দিফেন্দেন্ট অদু নেশ্নেল সিক্যুরিটিদা শোক্নদবা থবক থৌওংশিং মখা তানা চথরোই হায়বগী থাজবা য়াবা মরম মতিক চানা উদ্রবদি মীওই অদুদা বেল পীবা য়ারোই। লৱার কোর্টনা অরানবা রিজনিংগা লোয়ননা আর্টিকল ৪২ বু লান্না ৱাহন্থোক পীখি হায়না লৈবাকপোকপা নুমিত্তা সী এফ এগী জজ মঙানা অইবা জজমেন্ট অমদা হায়খি। ৱারেপ অদু পীবদা জজ মঙামক মত মান্নখি।

জজশিং অদুনা মখা তারদুনা লৈবাকপোকপা নুমিৎকী ৱারেপ অদুগী মতুংদা অনৌবা বেল এপ্লিকেসন অমসু থাবা য়াগনি হায়খি। মদু মরু ওইনা করম্না লৱার কোর্টনা বেল পীবগী ৱারেপ অদু লৌরকখিবনো হায়বদু মীৎয়েং থমদুনা থাগদবনি হায়নসু মখোয়না পনখি।

কোর্ট অদুগী মপন্দা প্রো চাইনা প্রোটেষ্টর খরনা লাউদ-হেলর শীজিন্নদুনা 'জিম্মি লাই পুন্সি চুপ্পা ফাদোক পীয়ু', 'হোং কোংগী মরা তপ্পা ফীভমদা শোকহনগনু' হায়বা খোল্লাওশিং লাওখি। লাইগী সপোর্টরশিংনসু মহাকপু শৌগৎপা খোল্লাও কয়া লাওখি। মীদিয়া টাইকুন অমসুং বৈজিংগী ক্রিটিক অসি হৌখিবা ওগষ্টতা পুলিস ওফিসর ২০০ রোম্না মহাক্কী এপ্পল দেলি টেব্লোইদ পাউচেগী ন্যুজরুমদা রেইদ তৌরগা ফাখিবনি। পনবা য়াই, থা খরা চুপ্না প্রো-দিমোক্রেসি প্রোটেষ্টশিং চথরকখিবা মতুংদা বৈজিংনা হান্নগী বৃটিশ কোলোনি অসিদা অনৌবা নেশ্নেল সিক্যুরিটি লো অদু চৎনহনখিবনি। লো অদুনা চাইনাগী মীৎয়েংদা ওথোরিটি শীংনবা, তোখাইনা তানবা হোৎনবা, টেররিজমগী থৌওং চথবা নত্রগা ফোরেন ফোর্সশিংগা খূৎশম্ন বগী থৌওংশিংদা পুন্সি চুপ্পা ফাদোক পীবা য়াহল্লি।

# তোঙান তোঙানবা এটেকশিংদা গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ী ৪, পুলিস পর্সনেল ৪ শিরে



কাবুল, ফেব্রুৱারী ০৯ (এজেন্সী) : অফঘানিষ্টানদা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা চথখিবা এটেক কয়াদা গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ী ৪ অমসুং পুলিস পর্সনেল ৪ শিরে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে। এটেকশিং অদু খুদক্কী ওইবনা কনামত্তনা ক্লেম তৌরকখিদে।

সিটি পুলিসকী চীফকী স্পোক্সমেন ফের্দোজ ফারামাজনা ফোঙদোকখিবদা কেপিটেল কাবুলদা গনমেনশিংনা বাঘ-ঈ-দাউদ এরিয়াদা নোংমৈ কাপ্পুনা মিনিষ্ট্রি ফোর রুরেল দিভলপমেন্টগী ইমপ্লোয়ী মরি হাৎখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা পুলিসনা থিজিনবা হৌখ্রে। কাবুলগী অতোপ্পা মফম অমদা কার বোম অমদা হাপ্পা ষ্টিকি বোম অমা পোকখায়রকখিবদা অতোপ্পা গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ী অমা শিখি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা থোকখিবা অতোপ্পা থৌদোক্তা, নোংচুপ থংবা হেরাত প্রোভিন্সকী জান দিষ্ট্রিক্টতা লম্বীগী নাকলদা বোম অমা পোকখায়রকপদগী পুসিলসকী গাড়ী অমা অমাং অতা থোকখিবগা লোয়ননা মদুদা তোংলকখিবা পুলিস ওফিসর মরি শিখ্রে অমসুং অমনা অশোক অপন নংখ্রে।

টালিবান অমসুং গভর্ণমেন্টগী মীহুৎশিংনা কটারদা থা কয়া ৱারী শান্নরকখিবদু লেপখিবগা লোয়ননা অফঘানিষ্টানদা হাৎন শুনবগী ঈরাং লেপ্তুনা হেনগৎলকখি। লৈবাক অসিগী মফম খুদিংমক্তা বোম পোকখায়বা, অতম্না মী হাৎপগী থৌদোকশিং কনশিল্লকপগা লোয়ননা মফম কয়াদা লাল শোক্লবসু তোয়শিল্লক্লি।

হৌখিবা মতম খরা অসিদা কাবুলদা ইস্লামিক ষ্টেটনা এটেক তৌবগী চাংসু হেনগৎলক্লি। খ্বাইদগী নৌবা থৌদোক্তা গ্রুপ অসিনা থাংজ নুমিত্তা অফঘানিষ্টানগী কেপিটেল সিটি অসিদা মাইনোরিটি শিখশিংদা টার্গেট তৌদুনা বোমগী এটেক চথখি। সেন্ট্রেল কাবুলগী ষ্টোর অমদা চথখিবা এটেক অদুদা শিখ কাঙলূপকী মীওই অনী শিখি।

ইস্লামিক ষ্টেটনা লেপ্তুনা কিহল্লকপদগী মতম অমদা হরাও নুংঙাইনা পান্দুনা পুন্না মীওই ২,৫০,০০০ ফাওবা শুরম্বা শিখ অমসুং হিন্দুশিংগী মশীং হৌজিক্তি শুপ্পগী ৭০০ ফাওবা য়ৌদ্রে। হৌখিবা চহীগী মার্চতা আই এসকী গনমেন অমনা কাবুল সিটিদা লৈবা শিখশিংগী লাইখুরুমফম অমদা চঙশিন্দুনা নোংমৈ কাপশিনবদা লাই খুরুম্বা মীওই ২৫ শিখি অমসুং নিপাল শোকখি।

# হিন্দু লাইশঙ খুদক্তা নৌনা শানবা পাকিষ্টানগী সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখ্রে



ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারী ০৯ (এজেন্সী) : কুমজা ২০২০ গী দিসেম্বরদা মোব অমনা মৈ থাখিবা হিন্দু লাইশঙ অমা খুদক্তা নৌনা শাবা হৌনবা পাকিষ্টানগী সুপ্রিম কোর্টনা খাইবর পাখতুনখ্বা প্রোভিন্সকী গভর্ণমেন্টনা দিরেক্সন পীখ্রে।

কুমজা ২০২০ গী দিসেম্বর ৩০ দা লাকশিনবদা ৱারবা মীওই কাঙবু অমনা প্রোভিন্স অদুগী করাক দিষ্ট্রিক্টকী টেরি এরিয়াদা লৈবা শ্রীপরমহন্স জি মহারাজগী সমাধি মৈ থাখি। লাইনিং লাইশোনগী ওইবা পার্টি অমগী লোকেল অহলশিংনা লুচিংখিবা মীওই ১,০০০ রোমনা প্রোটেষ্ট অমা পাঙথোক্তুনা লাইশঙ অদু লৌথোক্লবা দিমান্দ তৌখিবা মতুংদা মদুবু মৈ থাবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। লাইশঙ অদু ইহান হান্না মফম অদুদা কুমজা ১৯২০ দা শাখিবনি। খাইবর পাখতুনখ্বা গভর্ণমেন্টনা লাইশঙ অদু নৌনা শারগনি অমসুং এটেক্করশিং ফারগনি হায়না মমাং থাদা লাওথোকপা লৈখ্রবনি। নিংথৌকাবা নুমিত্তা পাঙথোকখিবা হিয়ারিংদা চীফ জষ্টিস গুলজর অহম্মদনা লুচিংবা এপেক্স কোর্টকী জজ অদুগী বেঞ্চ অদুনা প্রোভিন্সিএল গভর্ণমেন্টতা লাইশঙ অদু মপুং ফানা শাবা লোয়শিন্নবগী টাইমলাইন অমা পীরক্লবসু খঙহনখি।

পাকিষ্টানদা লৈরিবা হিন্দু অমসুং শিখকী লাইশঙশিং মেন্টেন তৌরিবা ইভাক্যুই ট্রষ্ট প্রোপর্টি বোর্দকী উকিল ইক্রম চৌধুরিনা বেঞ্চ অদুদা হৌজিক ফাওবদা ইশ্যু অদুগা মরী লৈননা ফাবা পুনবা অমত্তা লৈতে হায়নসু খঙহনখি। লাইশঙ অদু ষ্টোননা শানবা গভর্ণমেন্টনা পি কে আর মিল্লিয়ন ৩০.৪১ এপ্রুভ তৌরে হায়নসু চৌধুরিনা কোর্টতা ফোঙদোকখি।

হিন্দু কাউন্সিলগী মকোক অমসুং নেশ্নেল এসেমব্লিগী মেম্বর অমা ওইরিবা রামেশ কুমারনা হায়খি মদুদি ঈরাং থোক্নবা মফম অমা ওইবনা করাক এরিয়াদা লাইশঙ নৌনা শাবগী থবক অদু হিন্দু কম্যুনিটিনা তৌগদবনি। লাইশঙ অমদা এটেক তৌবসি মসিনা অনীরকশুবনি। কুমজা ১৯৯৭ দা লাইশঙ অদু থুগাইখ্রবা মতুংদা সুপ্রিম কোর্টনা ওর্দর থোক্তুনা কুমজা ২০১৫ দা নৌনা অমুক শাহনখিবনি।

# দব্লিউ ঐচ ওগী এক্সপার্টশিংনা অষ্ট্রাজেনেকাগী ভেক্সিনগী কান্নবগী চাং রিভিয়ু তৌখ্রে

জিনিভা, ফেব্রুৱারী ০৯ (এজেন্সী) : ওক্সফোর্দ অষ্ট্রাজেনেকাগী কোভিদ-১৯ ভেক্সিননা কদাই ফাওবা কান্নহনবগে হায়বগী মতাংদা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন (দব্লিউ ঐচ ও) এক্সপার্টশিংনা খন্ন নৈনখ্রে।

ষ্টদি অমনা ভেক্সিন অসি সাউথ অফ্রিকাদা থেংনবা কোরানা ভাইরসকী অনৌবা ভেরিএন্টনা থোকহনবা ইনফেক্সনশিং থিংনবদা থোইদোক্পা কান্নদে হায়বা উৎলকপদগী ভেক্সিন অসিগী কান্নবগী চাং রিভিয়ু তৌবগী খোঙথাং অসি লাকপনি।

নিংথৌকাবা নুমিত্তা দব্লিউ ঐচ ওগী দিরেক্টর জেনরেল টেদ্রোস অধানোম খেব্রেয়েমসনা জিনিভাদা প্রেস ব্রিফিং অমদা হায়খিবদা ওক্সফোর্দ অষ্ট্রাজেনেকাগী ভেক্সিন অসি অকনবা লায়না, হোস্পিটালাইজেসন অমসুং কোভিদ-১৯ না মী শিহনবা থিংবদা ইফেক্তিভ ওই হায়বা উৎখ্রবা ভেক্সিনশিংগী মনুংদা অমা ওইরবসু ভাইরস অসিগী অনৌবা ভেরিএন্টশিং থোক্লকপদগী মখোয়না ভেক্সিনশিংগী মতিক ময়াইদা অকাইবা পীবা ঙমব্রা হায়বসি য়েংশিনদবা য়াদবা ৱাফম ওইরকখি।

দব্লিউ ঐচ ওগী ষ্ট্রেটেজিক এদভাইজরি গ্রুপ ওফ এক্সপর্টস ওন ইম্যুনাইজেসন (এস এ জি ঈ) না মীফম পাঙথোক্তুনা ওক্সফোর্দ অষ্ট্রাজেনেকাগী ভেক্সিন রিভিয়ু তৌখ্রে অমসুং অনৌবা দিভলপমেন্টশিং অসিগী মতাংদা খন্নখ্রে হায়না ঘেব্রেয়েমসনা লাওথোকখি।

নিংথৌকাবা নুমিৎকী খোঙথাং অসি বি.১.৩৫১ হায়না মমিং থোনবা অনৌবা ভেরিএন্ট থেংনরিবা সাউথ অফ্রিকানা ভেক্সিন অসি শীজিন্নবদা ময়েক শেংনা কান্নে হায়বা চপ চানা খঙদ্রিফাওবা লৈবাক অসিদা অষ্ট্রাজেনেকাগী ভেক্সিন অসি মতম খরা শীজিন্নবা লেপ্পগনি হায়না লাওথোকখিবা মতুংদা লাকপনি।

ব্রিফিং অদুদা দব্লিউ ঐচ ওগী দিপার্টমেন্ট ফোর ইম্যুনাইজেসন, ভেক্সিন এন্দ বাইওলোজিকেলসকী দিরেক্টর কেট ও ব্রিয়েননা ফোঙদোকখিবদা, এস এ জি ঈনা বৃটেন অমসুং ব্রাজিল অমদি অষ্ট্রাজেনেকাদা চথরিবা ট্রাইএলশিংগী ইনভেষ্টিগেটরশিং লোয়ননা সাউথ অফ্রিকাগী ট্রাইএলশিংগী ইনভেষ্টিগেটরশিং উনখি।

অষ্ট্রাজেনেকাগী ভেক্সিনগী ট্রাইএল কয়াদা ফঙলিবা ইভিদেন্স য়েংলগা ভেক্সিন অসি লায়নাগী শাথিবা ফীভম, হোস্পিটালাইজেসন অমসুং লায়না অসিনা শিহনবা থিংবদা কান্নে হায়বসি খঙলে হায়না পল্লদুনা ওব্রিএননা হায়খি, ভেরিএন্ট খেন্নবা অমসুং পোপুলেসনগী মখা পোন্না ভেক্সিন অসিগী ইফিকেসি হন্থে হায়বগী খুদম চাংদমশিং ফঙখি।

চৈরকসিদা গ্লোবেল ভেক্সিন এলাইএন্স জি এ ভি আইনা অষ্ট্রাজেনেকাগী ভেক্সিন মখা তানা শীজিন্ননবা ৱারেপ লৌখ্রে। এলাইএন্স অসিগী সী ঈ ও সেথ বার্ক্লিনা হায়, অষ্ট্রাজেনেকাগী ভেক্সিন অসি চপ চানা কান্নে অমসুং রেগ্যুলেটরি ওথোরিটি কয়ানা নিংথিনা রিভিয়ু তৌবগা লোয়ননা এপ্রুভ তৌরবনি।




# জর্মনি, স্বিদেন, পোলেন্দনা রশিয়ন দিপ্লোমেটশিং তান্থোক্লগনি



বার্লিন, ফেব্রুৱারী ০৯ (এজেন্সী) : রশিয়ানা হৌখিবা চয়োলদা জর্মনি, পোলেন্দ অমসুং স্বিদেনগী দিপ্লোমেটশিং তান্থোকখিবগী লমন খুম্বা ওইনা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন লৈবাক অহুম অসিনসু লৈবাক অসিদা লৈরিবা রশিয়ন দিপ্লোমেট অমমম তান্থোক্লগনি হায়খ্রে।

মোস্কোনা য়ুরোপিয়ন দিপ্লোমেট অহুম অদু জেলদা থল্লিবা ওপোজিসন লিদর অলেক্সি নভালনি শৌগত্তুনা প্রোটেষ্টশিংদা শরুক হায়খি হায়না মরাল শীবগা লোয়ননা মখোয় রশিয়ন গভর্ণমেন্টনা য়াদবা মীওইশিং ওইরে হায়না লাওথোকখি।

য়ুরোপ অমসুং রশিয়াগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলক্লি অমসুং মোস্কোনা মমাংগী চয়োলদা য়ুরোপিয়ন দিপ্লোমেটিক তান্থোকখিবদু ঈ য়ুগী ওইনদি মায় খুগদবা তাঞ্জা অমদনি। মরু ওইনা ব্লোক অসিগী ফোরেন পোলিসি চীফ জোসেপ বোরেলনা রশিয়াদা খোচৎ অমা চৎলিঙৈদা থোকখিবনি হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা জর্মনিগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি।

ৱাফম অসি ফোঙদোকপগা লোয়ননা মিনিষ্ট্রি অসিনা বর্লিনদা লৈবা রশিয়ন এম্বেসিগী মেম্বর অমা তান্থোক্লগনি হায়না লাওথোকখি। মোস্কোনা হৌখিবা ইরাইদা লৌখৎখিবা খোঙথাং অদু মরম চাদে হায়নসু মিনিষ্ট্রি অসিনা ফোঙদোকখি। ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অমনা হায়, জর্মন দিপ্লোমেট অদুনা তৌখিবা থবক্তা দিপ্লোমেটিক রিলেসন্সকা মরী লৈনবা ভিয়েনা কনভেন্সনগী মতুং ইন্না মহাক্কী মথৌদাং পাঙথোকচখিবদনি। কনভেন্সন অসিগী মতুং ইন্না, লোকেল দিভলপমেন্টশিংগী মরমদা মশামক্না হকথেংননা খঙনবা হোৎনবা হায়বসি লোনা য়াই।

পোলেন্দদসু ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা পোজননদা লৈবা রশিয়ন কোন্স্যুলেটকী ষ্টাফ মেম্বর অমা তান্থোক্লগনি হায়না লাওথোকখি। রশিয়ন ওথোরিটিশিংনা প্রেসর পীদুনসু পোলিস দিপ্লোমেটশিংনা ভিয়েনা কনভেন্সন ওন দিপ্লোমেটিক রিলেসন্সতা য়ুম্ফম ওইরগা রশিয়ন ফেদরেসনদা মখোয়গী মথৌদাংশিং পাঙথোক্কনি হায়খি। স্বিদেনগী ফোরেন মিনিষ্টর অন লিন্দেনা ত্বিটর পোষ্ট অমদা লৈবাক অসিনা রশিয়ন দিপ্লোমেট তান্থোক্লবা ৱারেপ লৌরক্লবসু য়াম্না লানবা মওংদা রশিয়ন ওথোরিটিশিংনা মথৌ পাঙথোচরিবা স্বিদিশ দিপ্লোমেট অমা তান্থোক্লবা ৱারেপ লৌখিবগী পাউখুম ওইননি।

## ম্যান্মার পুলিসনা নোংথক্তা নোংমৈ কাপখ্রে, রবর বুলেটশিংনা পানবদা ৮ শোক্লে

নেপিটো, ফেব্রুৱারী ০৯ (এজেন্সী) : মিলিটরি কু য়ানিংদবা উত্তুনা মী পুনবদা অথিংবা লৈনা লৈনা ম্যান্মারগী মফম কয়াদা পাক শন্না চথরিবা প্রোটেষ্টশিং থুগাইনবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পুলিসনা নোংথক্তা নোংমৈ কাপ্পগা লোয়ননা প্রোটেষ্টরশিংদা ৱাটর কেনন অমসুং রবর বুলেট কাপখ্রে। কেপিটেল নেপিটোদা রবর বুলেটনা পানবদগী মীওই মরি শোকখি। মখোয়গী মনুংদা মকোক্তা শোকপা নুপী অমা ফীভম লুই হায়না ডোক্টর অমনা ফোঙদোকখি।

থা অসিগী ১ দা মিলিটরিনা কু চথদুনা ইলেক্তেদ সিভিলিয়ন লিদর ওং সান সু চি ফাজিনখিবদগী চহী ১০ হেনবগী মনুংদা ম্যান্মারদা খ্বাইদগী চাওবা দোমোন্সত্রেসনশিং উবগা লোয়ননা সিভিল দিসওবিদিএন্স মুভমেন্টনা হোস্পিটালশিং স্কুলশিং অমসুং গভর্ণমেন্ট ওফিসশিং শোকহনখি। ৱিটনেসশিংনা ফোঙদোকখিবদা লেপ্তুনা প্রোটেষ্ট চথরকপা মরিনি চনবা নুমিত্তা নেপিদোদা প্রোটেষ্ট লেপ্পু য়াদবা মীওইশিং তানখাইনবা হোৎনবদা পুলিসনা নোংথক্তা নোংমৈ কাপখি। নোংথক্তা নোংমৈ কাপ্পদগী দেমোন্সেত্রেটরশিং কায়দুনা চেন্নখি হায়না ৱিটনেস অমনা ফোঙদোকখি।

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG**

**Ref :- Mutation Case No. 100 of 2021**
App:- Sivananda Moirangthem S/o (L) Lenin Singh of Sugnu Makha Leikai.
-Vrs-
Opp :- (Late) Moirangthem Leima Singh S/o Anou Singh of Sugnu.

[illegible] / **NOTICE**
Dated 08/02/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি খুল নং ৯১-শুগ্নু পাট্টা নং ৯১/৬৯৫/১৫৯৬, দাগ নং ২৫৯৮/৪২৩৩, এরিয়া ০.৭০ একর চাওবা ফৌরেল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মমীংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্দবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চখজগনি।

HL-P/8947/10 *Sd/- Sub-Deputy Collector, Waikhong*

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVT. OF MANIPUR**

**Ref :- Mut. Case No. 127/AS&SO/TBL, dt: 01-02-2021**
Moirangthem Maimu Singh S/o (L) Tampha Singh of Khangabok Makha Leikai Part-III. ...*Applicant.*
-Vs-
(Late) Pattadar Laishram Ningol Kunjarani Devi D/o (L) Gandha Singh of Khangabok Makha Leikai. ...*Opp.*

[illegible] / **NOTICE**
Dt. 8/02/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ৩৩- খাঙবোক পাট্টা নং ২২৫২ (অরিবা), পাট্টা নং ২৪৭১ (অনৌবা), দাগ নং ১৩৯১, এরিয়া ১.২১৫০ হেক্তর চাওবা তাওথবী লৌফম অসিদা নামা পাল্লিবা কো-পাট্টাদার নং ২শুবা মৃতু ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কক্লুগা মথক্কী দংকারিগী মমিংদা কো-পাট্টাদার অনীশুবগী এরিয়া ০.২৪২৮ হেক্টর চাওবা লম অসি নামা পানবিরো হায়না মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থাদুনা মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা য়েৎলবা য়াগনি। নত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

*Sd/-* **M. Ningthembi Singh**
Assistant Survey & Settlement Officer,
HL-P/8948/10 Thoubal, Govt. of Manipur

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; MOIRANG**

**Ref. Mutation Case No. 104/SDC/M Dated 09/02/2021**
1. Salam Romen Singh, S/o. S. Ibohal Singh of Keibul Mayai Leikai
2. Salam Romesh Singh, S/o. S. Ibohal Singh of -do-
-Vrs-
Late Salam Yaima Singh, S/o. Nongthomba Singh of Keibul

[illegible] / **NOTICE**
Moirang, 9th Feb., 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৬৫-থাঙ্গাদা লৈবা পাট্টা নং ১৬২ অনৌবা সী : এস: দাগকী নং ৮০৭০ এরিয়া ০.৬২ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মিংদা লৈবা লম অসি মথক্তা পীরিবা দরখাষ্টকারী অসিদা নামা ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্ত কোর্টতা অপতি য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি।

HL-B/6782/10 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector : Moirang**

**IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, (III), MANIPUR**

**Ref :- Mutation Case No. 41/AS & SO/III Date. 06/02/2021**
Sorokhaibam Ibemhal Devi, W/o. (L) Sorokhaibam Jhanajit @ Ibotombi Singh of Wangkhei Ningthem Pukhri Mapal
- Petitioner
-Vrs-
Late Sorokhaibam Jhanajit @ Ibotombi Singh, S/o. (L) S. Thamboubabu Singh of Wangkhei Ningthem Pukhri Mapal, Imphal East
-O.P.

[illegible] / **NOTICE**
Imphal, 09/02/2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ২৭-ৱাংখৈ নোংপোক পাট্টা নং ৩৭৭/অংশ অরিবা ২৭৭/৯১৪ অনৌবা দাগ নং ১২২২/১৫৬৬ এরিয়া .১২৩ একর চাওবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার নং Sorokhaibam Jhanajit @ Ibotombi Singh মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারী/দংকারীশিং অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১৭/০২/২০২১ ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিখ অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চথরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

**Sd/-** Assistant Survey & Settlement Officer,
HL-P/8942/10 (III), Manipur